# শেনয়েক চৎনহনখিদবা নবেম্বর ৮বু ওপোজিসন্না ব্লেক দে হায়না লাউথোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ২৪ (এজেন্সী) :
শেনয়েক চৎনহনখিদবা নুমিৎ নবেম্বর ৮বু ওপোজিসন্না ব্লেক দে হায়না লাউথোকখিবগা লোয়ননা লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা থৌরম পাঙথোক্কদৌরি।

ৱাফম অসি লাউথোক্লদুনা ওপোজিসন লীদর গুলাম নবি অজাদনা হায়খি, মমাঙ চহীগী নবেম্বর ৮দা শেনয়েক অনী চৎনহনখিদবা থৌওং অদু চহী চা অসিগী ওইনা খ্বাইদগী চাউবা ৱাথোকনি। মরম অদুনা ব্লেক দেগী থৌরম পাঙথোক্লবা ফিরেপ লৌখিবনি।

এন দি এ গভর্ণমেন্ট তহা তহা লৌখিবা ফিরেপ অদুনা মীয়ামদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োক্লহনখি হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, থা ১গী মনুংদা লৈঙাক্লা মশাগী থৌশীল ১৩৫ রক হোংদোক হোংজিন তৌবা হায়বসি ইন্দিয়া নত্তনা মালেমগী মফম অমত্তদা থেংনদে। দিমোনেটাইজেসন অমসুং মসিনা লৈবাক্কী শেন্মীৎলোন্দা পীরিবা চৈথেং য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা তোঙান তোঙানবা পোলিটিকেল পার্টি ১৮না লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা য়ানিংদবা ফোঙদোকপগী থৌরম পাঙথোক্কনি হায়রি।

চৈরকসিদা, পার্লিয়ামেন্টরি পেনেল অমনা দিমোনেটাইজেসনগা মরী লৈনবা রিপোর্ট পার্লিয়ামেন্টকী মথংগী মীফমদা পুথোক্লবা য়াই হায়না থাজনরি।

কোংগ্রেসকী এম পি বিরাপা মোইলিনা লূচিংবা পার্লিয়ামেন্টরি ষ্টেন্দিং কম্মিটি ওন ফাইনান্সনা দিমোনেটাইজেসনগা মরী লৈনবা ৱাফমশিং য়েংশিন্দুনা লাকখিবনি।

হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর মনমোহন সিংহসু য়াওবা কম্মিটিনা হীরম অসিগী মরী লৈননা আর বি আইগী গভর্নর অর্জিৎ পতেল অমদি ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিগী মকোক থোংবা ওফিসল কয়া উনদুনা ৱারী শানখি।

দিমোনেটাইজেসন্না মরম ওইরগা লৈবাক্কী মফম অয়াম্বদা লৈরিবা মাওইষ্ট লালহৌবশিং অমদি জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী লালহৌবশিংদা শেল ৱাৎপগী অৱাবা মায়োক্লরে হায়না য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা মমাঙদা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

মহাক্না হায়খি, অচৌবা শেনয়েক অনী চৎনহনখিদ্রবা মতুংদা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী লালহৌবশিং অমসুং ছটিসগরগী মাওইষ্টশিং শেল ৱাৎপগী অৱাবা মায়োক্লরে। কুমজা ২০১৬কী নবেম্বরদা অচৌবা শেনয়েক অনী চৎনহনখিদবগী কান্নবা মরমশিং পল্লদুনা জেটলিনা হায়খি, মমাঙদা সেপারেটিষ্টশিংনা শীজিন্নরম্বা শেনফম অয়াম্বা বেঙ্কিং সিষ্টেমদা হল্লক্লে।

হৌজিক ওইরিবা লৈবাক্কী গ্রোস দেমোষ্টিক প্রদক্ট (জি দি পি)গী মতাংদা বি জে পিনা লূচিংবা এন দি এনা পেন্থোক্তুনা লৈবগী ৱাফম লৈতে হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, অতেনবা মতমগী মনুংদা জি দি পি হেনগৎহন্নবগীদমক মশক থোকপা থৌরাং কয়া লৌখৎনবা পান্দম থল্লি।

জি এস টি চৎনহনবগা লোয়ননা দিমোনেটাইজেসনগী থৌরাং লৌখৎপদগী লৈবাক মীয়ামদা চাউনা কান্নবা ফংহল্লে। মীওই খুজোক খরনা অরানবা মওংদা শীজিন্নরম্বা শেনফম পূম্নমক তপ্না তপ্না খোমগৎপা ঙম্বগী ফীভমদা লৈরে।

# হিজবুলগী লূচিংবা সয়দ সলাহুদ্দিনগী মচানুপা এন আই এনা ৱাহং-পাউহংখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৪ (এজেন্সী):
কুমজা ২০১১দা টেররিষ্ট ওর্গনাইজেসনশিংদা শেল চাউনা থাদখিবগী কেসকা মরী লৈননা হিজবুল মুজাহিদ্দিনগী লূচিংবা সয়দ সলাহুদ্দিনগী মচানুপা সয়দ সহিদ য়ুসুফপু নেসনল ইনবেষ্টিগেসন এজেন্সী (এন আই এ)না ৱাহং-পাউহং চথখ্রে।



সলাহুদ্দিনগী অহুমশুবা মচানুপা য়ুসুফনা হীরম অসিগী মতাংদা মরুওইবা ৱাফম কয়ামরুম খঙলম্বা য়াই হায়না চিংনবদগী এন আই এনা মহাকপু ৱাহং-পাউহং চথখিবনি। এগ্রীকলচরেল সাইন্সতা মষ্টর দিগ্রী লোইরবা মীওই অসি ষ্টেটকী এগ্রীকলচর দিপার্টমেন্টতা থবক তৌরিবনি।

পাকিস্তানদগী জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা থাদরকপা শেনফম কয়ামরুম লালহৌবশিংগী মখুৎ য়ৌহনখিবগা মরী লৈননা ওক্টোবর ১৬তা এন আই এনা য়ুসুফ লাক্লবা সমোন ইস্যু তৌখি।

য়ুসুফকী অপোকপা মহমদ য়ুসুফ শাহ এলিয়স সয়দ সলাহুদ্দিনবু য়ু এসকী ষ্টেট দিপার্টমেন্টনা হন্দক্তা গ্লোবল টেররিষ্টনি হায়না লাউথোকখি।

লালহৌবদা শেল থাদবগী মতাংদা দিল্লি পুলিসকী স্পেসল সেলনা হিজবুল মুজাহিদ্দিনগী মায়োক্তা কেস অমা রেজিষ্টর তৌখ্রবা মতুংদা কেস অসিদা চেন্নে হায়না চিংনবা মীওই কয়ামরুম এন আই এনা ৱাহং-পাউহং চথবা লৈখ্রে।

মে ২৭তা জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী পুলৱামা দিষ্ট্রিক্ট মনুং চন্না লৈবা ট্রাল এরিয়াদা সিক্যুরিটি ফোর্সেসকা খুৎ থোক্লবদা হিজবুল মুজাহিদ্দিনগী কম্মান্দর জবজার অহমদ ভাট অমদি অতোপ্পা মিলিটেন্ট অমা শিখ্রবনি। মমাঙ চহীগী জুলাই ৮দা সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা অনন্তনাগতা বুরহান ৱানি হাৎখ্রবা মতুংদা ভাট এলিয়স অবু জরারনা হিজবুল মজাহিদ্দিনগী লূচিংবা ওইনা থৌ পুদুনা লাকখিবনি।

ভাটপু শিনা নৎত্রগা হিংনা ফাবা ঙম্বদা লুপা লাখ ১০গী মনা পীগনি হায়না লাউথোকপা লৈখি। মে ১৯দা সবজার অহমদ ভাটনা শ্রীনগরদা চত্তুনা হুরিয়ত লূচিংবশিংগা য়ানবা অমা পুরক্লবা থৌরাং লৌখৎখি। হুরিয়ত লূচিংবা জাকির মুশাহনা ভাটকী মায়োক্তা অকনবা ৱাফম কয়া ফোঙদোরকখ্রবা মতুংদা নাকল অনী য়াশিন্নবা পুরক্লবা হোৎনখিবনি। মতম অদুদগী হৌনা জম্মু এন্দ কাশ্মীর পুলিস অমসুং সিক্যুরিটি এজেন্সীশিংনা ভাটকী খোঙ্গুল লীদুনা লাকখিবনি।

খ্বাইদগী অহানবা ওইনা সী আর পি এফকী জৱান অমদগী রাইফল মুল্লগা লৈখিদ্রবা বুরহান ৱানিগী লীচিং মখাদা হিজবুল মুজাহিদ্দিনদা চঙখিবদগী ভাটপু সিক্যুরিটি ফোর্সেসনা কোইতান তান্নদুনা লাকখি। মমাঙ চহীদা ৱানি লৈখিদ্রবা মতুংদা ভাটনা লূপ অসিগী লূচিংবা ওইনা থৌ পুখি।

অমরোমদা, সবজার ভাট হাৎখিবগী থৌওংবু য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা কাশ্মীর তম্পাক্তা হৌরকখিবা মীচম মীয়ামগী ঈরাং লাকশিন্নবা হোৎনবদা প্রোটেষ্টর অমসুং সিক্যুরিটি ফোর্সেসকী মরক্তা খুৎ থোক্লখিবনি।

# গুজরাটতা বি জে পিনা মায় পাক্লগনি : ওপিনিয়ন পোল

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৪ (এজেন্সী):
হন্দক পাঙথোক্কদৌরিবা গুজরাট এসেমব্লিগী মীখলদা ভারতিয়া জনতা পার্টি (বি জে পি)না অমুক্কা হন্না মায় পাক্লগনি হায়না ওপিনিয়ন পোল অমগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখ্রে।



রিপোর্ট অদুনা হায়খি, বি জে পিনা য়ামদ্রবদা সিট ১৮২ লৈবা গুজরাট এসেমব্লিগী সিট ১১৫ ফংবা য়াই।

ইন্দিয়া টুদে-এক্সিস মাই ইন্দিয়া ওপিনিয়ন পোলগী রিপোর্টনা হায়খি, বি জে পিনা হন্দক্কী মীখলদা এবসোল্যুট মেজোরিটি ফংবা য়াবগী ফীভমদা লৈরে। কোংগ্রেসনা সিট ৫৭তগীনা ৬৫ ফাওবা ফংদুনা অনীশুবা তারবা য়াই হায়রি।

মোত লৌখিবা অপুনবা মীশিংগী চাদা ৩৪না বিজয় রুপানিবু অমুক্কা হন্না চীফ মিনিষ্টর ওইহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোরকখি। মীওই চাদা ১০না বি জে পিগী নেসনল প্রসিদেন্ট অমিত শাহবু চীফ মিনিষ্টর ওইহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা অতোপ্পা মীওই চাদা ৬না হার্দিক পতেলবু চীফ মিনিষ্টর ওইবদা খ্বাইদগী মতিক চারবা মীশকনি হায়না মোত পীখি।

গুজরাটকী এসেমব্লি মীখল মাঙওইননা বি জে পিগী মথক্তা মরাল কয়া শীনরকপা লৈখ্রবনি। পতিদার লূচিংবশিংবু শেল পীরগা বি জে পিদা নমদুনা চিংশিন্নবা হোৎনরে। শোত্থহৌরবা মীওই কাঙলুপশিংগীদমক তোঙান তোঙানবা চাউখৎ থৌরাং কয়া লৌখৎকনি হায়না ৱাশকখ্রগা বি জে পিনা হৌজিক ফাওবা পতিদার অমদি অতৈ শোত্থহৌরবা কাঙলূপকী মীওইশিংবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনদ্রে হায়না হার্দিক পতেলগা নক্লবা মীওই অমা ওইরম্বা নিখিল সৱানিনা ফোঙদোকখি।

অমরোমদা, নরেন্দ্র পতেল কৌবা পতিদার লূচিংবা অমনসু বি জে পিনা কাঙলূপ অসিগী মীওই কয়া শেল পীজরগা বি জে পিদা য়াওহন্নবা হোৎনরে হায়না মরাল শীরকখিবনি।

লুপা ক্রোর ১ পীদুনা মহাকপু বি জে পিদা য়াওহনখিবনি। অকোনবদা শোত্থহৌরবা পতিদার ফুরুপকীদমক খল্লগা বি জে পিদগী খোঙ থাংদোরকখিবনি।

অমরোমদা, কোংগ্রেসনা পতিদার কাঙলূপকী ঈহৌ লূচিংলিবা হার্দিক পতেল থাকুর ফুরুপকী লূচিংবা অলপেস থাকুর অমদি দলিত লূচিংবা জিগনেশ মেবানি খুৎশম্নরগা বি জে পি মায়থিবা পীনবা থৌরাং লৌখৎকদবনি হায়খি।

# জি দি পিগী ফীভম ফগৎলক্লগনি : অরুন জেটলি

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৪ (এজেন্সী):
জি এস টি চৎনহনখিবগা লোয়ননা দিমোনেটাইজেসনগী থৌরাংনা মরম ওইরগা লৈবাক্কী শেন্মীৎলোন তপ্না তপ্না ফগৎলক্লে হায়না ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা ফোঙদোকখ্রে।



পাউমীশিংগা উনখিবা অমদা মহাক্না হায়খি, ইনফ্লেসনগী চাং চাদা ৪দগী হেনগৎহন্দবা হায়বসি লৈঙাক্লা পায়খৎখিবা থৌরাংশিং মায় পাক্লে হায়বগী খুদমনি।

পাউগী মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা মিনিষ্ট্রি ওফ ফাইনান্সকী সুভাশ গার্গনা হায়খি, শেনয়েক অনী চৎনহনখিদ্রবা মতুংদা মতম খরা ফীভম শোকচিল্লুরবসু জি দি পিগী চাং ৱাংখৎলক্লে। চহী অসিগী সেপ্টেম্বর ফাওবদা লৈঙাক্লা চাদিং তৌখিবা শেনফম পুন্না ক্রোর লাখ ১১.৪৭নি। পুন্না লুপা ক্রোর লাখ ২১.৪৬ খোমগৎখিবগী মনুংদা মথক্কী শেনফম অসি চাদিং তৌখিবনি। মমাঙ চহীগা য়েংনবদা হন্দক্লা লুপা ক্রোর লাখ ১.২ হেন্না টেক্স খোমগৎপা ঙল্লে হায়রি।

গুদস এন্দ সার্বিসেস টেক্স (জি এস টি) চৎনহনখিবগা লোয়ননা অনৌবা টেক্স রেজিম অসিনা অপীকপা অমসুং ময়াই ওইরপ চাউবা লল্লোন-ইতিক তৌরিবশিংদা পীরিবা পোৎলম হন্থহন্নবা থৌরাং লৌখৎকপদবা ৱাৎলি হায়না রেভিন্যু সেক্রেটরি হসমুখ অধিয়ানা ফোঙদোকখ্রবনি।

জি এস টিগী মখাদা এক্সাইজ দ্যুটি, সার্বিস টেক্স অমদি ভেল্যু এদেদ টেক্সনচিংবা সেন্ট্রেল অমসুং ষ্টেট টেক্স কয়ামরুম অমত্তা ওইনা পুনশিনহনখ্রে। মীয়াম্না অনৌবা টেক্স রেজিম অসিগী কান্নবা ফংবদা চাউরাক্লা চহী ১ রোম চঙখিবা য়াই হায়না মহাক্না মখা তাখি।

জি এস টি চৎনহনখ্রবা মতুংদা মায়কৈ কয়াদগী ৱাকৎ কয়ামরুম পুখৎলকখ্রবা মতুংদা রেভিন্যু সেক্রেটরিগী ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

অপীকপা অমসুং ময়াই ওইরপ চাউবা লল্লোন-ইতিক তৌরিবশিংনা থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং কোকহল্লগনি। জি এস টিনা তোঙান তোঙানবা পোৎলম ১০০ লোমদা লৌরম্বা টেক্সকী চাং মতমগা চুনবা মওংদা লেপখিবগা লোয়ননা এক্সপোর্টরশিংগী রিফন্দ প্রোসেসতা লায়থোকহল্লে হায়নসু ফোঙদোকখি।

মথং থাগী ১০দা য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা চ্যেরমেন ওইবা জি এস টি কাউন্সীলগী ২৩শুবা মীফম গুৱাহাটিদা পাঙথোকপগা লোয়ননা মীয়াম্না থেংনরিবা খুদোংচাদবা পূম্নমক কোকহন্নবা হোৎনরগনি হায়রি।

অমরোমদা, য়ুনিয়ন ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা হায়খ্রে মদুদি, দিমোনেটাইজেসন অমসুং জি এস টিগী মতাংদা মালেমগী তোঙান তোঙানবা লৈবাক কয়ানা ইন্দিয়াবু থাগৎপা ফোঙদোক্লরক্লি।

এ এন আইগা অখন্নবা উনখিবা অমদা ফাইনান্স মিনিষ্টরনা হায়খি, লৈবাক্কী শেন্মীৎলোন ফগৎহন্নবগী মতাংদা ইন্দিয়ানা লৌরিবা ফিরেপ অসি শেল-থুমগী লমদা খঙ-হৈরবা মীওইশিংনা লেপ্তুনা থাগৎপা ফোঙদোক্লরক্লি। হৌখিবা চহী ৩গী মনুংদা মালেমগী লৈবাক অয়াম্বা শেল-থুমগী অৱাবা মায়োক্লখিবা তারবসু ইন্দিয়াগী ওইনদি শেল-থুমগী ফীভম ফগৎলক্লি হায়না লৌবা য়াই।

# তাজ মহল মনাক্তা গাড়ী খামহন্দনবা কোর্টনা খঙহনখ্রে



ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৪ (এজেন্সী):
ৱর্ল্ড হেরিটেজ মোন্যুমেন্ট ওইরিবা তাজ মহলগী অকোয়বদা গাড়ী খাম্বা য়াহল্লোইদৌরি।

মালেম শীনবা থুংনা মমিং চৎলবা তাজ মহলগী ফীভম কায়হন্দনা থম্নবগী পান্দমদা সুপ্রিম কোর্টনা মোন্যুমেন্ট অসিগী মনাক নক্লা লৈবা গাড়ী খাম্ফম পূম্নমক শিদোক্লবা য়াথং পীখি।

আর্কিওলোজিকেল সর্ভে ওফ ইন্দিয়া (এ এস আই)গী মায়কৈদা লেপখিবা উকিল অমনা হায়খি, গাড়ী কয়ামরুম খামজিনবনা ঈশিং-নুংশিৎ মোৎহনবগা লোয়ননা তাজ মহলগী অকোয়বগী শক্তম মাঙহল্লকপা য়াই হায়না চিংনবদগী এপেক্স কোর্টনা অনৌবা ৱায়েল অসি পীখিবনি। হৌজিক হৌজিক তাজ মহলগী নোংপোকথংবা গেট ময়াদা মথোল অনী ৱাংবা গাড়ী খাম্ফম অমা লৈরি।

পনবা য়াবদি, মতম অমদা লৈরম্বা হিন্দুগী লাইশঙ মথক্তা তাজ মহল শাখিবনি হায়না কানপুরদগী কারকখিবা বি জে পিগী এম পি বিনয় কাতিয়ারনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

হিন্দুগী লাইশঙ অদু তেজো মহল হায়না খঙনরমই। শিব মহাদেবগী লাইশঙ মথক্তা মুগল নিংথৌ শাহ জহাননা মমতাজগী মিংদা মোসোলিয়ম শেমগৎলগা তাজ মহল হায়না মমিং ওন্থোকখিবনি হায়রি।

শিবগী লাইশঙ ওইবা মরম্না তাজ মহলগী সিলিং মথক্তগী ঈশিং মরিক মরিক তারকপা মফম কয়ামরুম হৌজিকসু মীয়াম্না উবা ফংলি। নীংথিরবা লাইশঙ অসিবু শাহ জহাননা খুদুম চল্লগা মহাক্কী লোয়নবী মমতাজগী থৱায় য়াওদ্রবা হকচাং লৈরোন চনখি।

মতম অমদা ইন্দিয়নশিংগী হুমাং অমসুং ঈনা শাখিবা তাজ মহলগী মতাংদা য়েৎনদুনা লৈবগী মথৌ তাদে হায়না উত্তর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর যোগি অদিত্যনাথনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি। লুপা ক্রোর ৩৭০ চঙনা অগ্রা শেমগৎপদা তাজ মহলগী অকোয়বা মফমশিং শেমগৎলগনি হায়খি।

বিনয় কাতিয়ানা হায়খি, অথুবা মতমদা তাজ মহলগী মমিং তাজ মন্দির হায়না ওন্থোক্লবা থৌরাং লৌখৎকদবনি। হান্না লাইশঙ ওইরম্বা মফম অসিদা হিন্দুশিংনা লাই খুরুম্বদা অকায়বদা লৈতে।

# জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী ইন্টরলোক্যুটর খনখিবগী থৌওং কোংগ্রেসনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৪ (এজেন্সী):
জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা লালহৌবগী ৱাথোক লোইশিনহন্নবগীদমক সেন্টরনা ইন্টরলোক্যুটর অমা খনখিবগী থৌওংবু কোংগ্রেসনা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।



রাজ্য সভাদা ওপোজিসন লীদর ওইরিবা গুলাম নবি অজাদনা হায়খি, সেন্টরনা অরেম্বদা চহী অহুম মখায় হেন্না মতম মাঙহনখিবগা লোয়ননা কাশ্মীরদা মমল য়াম্লবা মীওই কয়াগী থৱায় মাঙহনখ্রে।

সেন্টরনা কাশ্মীরগী ৱাথোক লোইশিনহন্নবা থৌরাং লৌখৎলকপদা মপুং ফানা শৌগৎলি। অদুবু মিংচৎ তানবগী মওংদা কান্নদবা থৌরাং কয়া লৌখৎলকপা মতমদদি কোংগ্রেসনা মপুং ফানা অথিংবা পীগনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি।

সেন্টরনা কাশ্মীরদা দিভাইদ এন্দ রুল পোলিসি চৎনহল্লে হায়না মরাল শীরদুনা অজাদনা হায়খি, বি জে পিনা লৈঙাক পায়রকপা চহী ৩ তুমিন্না লৈরুরবা মতুংদা হন্দক্তা মিংচৎ তানবগী মওংদা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং অসি মায় পাকপা ঙম্লোই।

ইন্টলিজেন্স ব্যুরো (আই বি)গী দিরেক্টর ওইরম্বা দিনেশ্বর শর্ম্মবু জম্মু এন্দ কাশ্মীরগী ইন্টরলোক্যুটর ওইনা খল্লে হায়না সেন্টরনা লাউথোকখ্রবা মতুংদা কোংগ্রেসকী ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

পনবা য়াবদি, সেন্ট্রেল গভর্ণমেন্টনা কাশ্মীরগী মতাংদা ৱারী শানদুনা লালহৌবগী ৱাথোক লোইশিলহন্নবা হোৎনরগনি হায়না য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা ফোঙদোকখ্রবনি।।

মহাক্না হায়খি, আই বিগী দিরেক্টর ওইরম্বা দিনেশ্বর শর্ম্মবু ইন্টরলোক্যুটর হাপ্তুনা লালহৌবগী চৈথেং ফংলবা ষ্টেট অসিদা ৱারী শানবগী থবক পায়খৎনবা হোৎনরগনি।

য়ুনিয়ন হোম মিনিষ্টর রাজনাথ সিংহনা হায়খি, আই বিগী দিরেক্টর দিনেশ্বর শর্ম্মনা জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা লৈরিবা মীয়ামগী অপাম্বা খঙদোক্লবা মতুংদা তোঙান তোঙানবা লালহৌলূপশিংগা ৱারী শানবগী থবক পায়খৎপা হৌরগনি।

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ইন্দিপেন্দেন্স দেগী থৌরমদা ফোঙদোকখিবা ৱাফম নৌহৌননা নীংশিংলদুনা রাজনাথ সিংহনা হায়খি, বি জে পিনা লূচিংবা সেন্টরগী এন দি এ গভর্ণমেন্টনা জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা ঈং-তপ্পা ফীভম লৈহন্নবা হোৎনরি।

প্রাইম মিনিষ্টরগী অপাম্বা মতুং ইন্না সিক্যুরিটি ফোর্সেস অমসুং নোংমৈগী মতেং য়াওদনা ঈং-তপ্পা মওংদা ৱারী শানরগা কাশ্মীরগী ৱাথোক লোইশিলহনগনি।

# থেংনা জি এস টি রিটনস ফাইল তৌবগী পেনাল্টি কোকপীখ্রে

ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২৪ (এজেন্সী):
ওগষ্ট অমদি সেপ্টেম্বরগী জি এস টি রিটর্নস মতম থেংনা ফাইল তৌরকপদা পেনাল্টি পীবগী মথৌ তারোই হায়না গভর্ণমেন্টনা ঙসি ফোঙদোকখ্রে।

ফাইনান্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা হায়খি, ওগষ্ট অমসু সেপ্টেম্বরগী জি এস টি আর-৩ বি মতম থেংথনা ফাইল তৌরকপদা অহেনবা চার্জ লৌগনি হায়না মমাঙদা লাউথোকখিবা ৱাফম অদু চৎনররোই।

লল্লোন-ইতিক তৌরিবা মীওইশিংনসু মতম চানা জি এস টি রিটর্নস ফাইল তৌরক্তবগী মতাংদা মখল অমত্তগী পেনাল্টি পীরোইদবনি হায়না তকশিন্দুনা লাকখি।

রিপোর্ট অমগী মতুং ইন্না জুলাই থাগী ওইনা জি এস টি আর-৩ বি রিটর্নস লাখ ৫৫.৮৭ ফাইল তৌরকখি।

সেপ্টেম্বর থাগী ওইনা জি এস টি রিটর্নস লাখ ৩৩ ফাইল তৌরকখিবগা লোয়ননা সেলস দেটা ৭৫,০০০ জি এস টি এন পোর্টোলদা অপলোদ তৌরকখি হায়না জি এস টি কাউন্সীলগী চ্যেরমেন অজয় ভুষণ পান্দেনা ফোঙদোকখিবনি।

হৌখিবা নুমিৎ নীনিগী মনুংদা রিটর্নস লাখ ২০ ফাইল তৌরকখি। পুং খূদিংগী জি এস টি এন সিষ্টেমদা রিটর্নস ৭৫,০০০ ফাইল তৌরকখি। জুলাই ১দা জি এস টি চৎনহনখ্রবা মতুংদা লল্লোন-ইতিক তৌরিবা মীওইশিংনা জি এস টি আর-৩ বি রিটর্নস ফাইল তৌরকপা হন্দক্কী অসিনা অহুল্লকশুবা থানি। জুলাই অমসুং ওগষ্ট থাদা মথংশিংনা রিটর্নস লাখ ৫৫.৬৮ অমসুং লাখ ৫০ ফাইল তৌরকখিবগা লোয়ননা মথংশিংনা লুপা ক্রোর ৯৫,০০০ অমসুং লুপা ক্রোর ৯২,০০০গী রেভিন্যু লাকখি।

পনবা য়াবদি, অনৌবা টেক্স রেজিম অসি চৎনহন্নবা ৱারেপ লৌবদা অতোপ্পা পোলিটিকেল পার্টি ৩০ রোম য়াওখি। বি জে পি মথন্তনা থৌরাং অসি লৌখৎখিবা নত্তে হায়না লৈবাক্কী মফম শীনবা থুংনা জি এস টি চৎনহনখিবগী মতাংদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ফোঙদোকপা লৈখ্রবনি।

**IN THE COURT OF SUB-DEPUTY COLLECTOR, LILONG CHAJING, IMPHAL WEST**

*Ref:- Mut. Case No. 387/SDC/IW/LC of 2017*

1. Haorongbam Laksana Singh S/o H. Prafullo Singh of Chajing Chingkhong Leikai.
2. Haorongbam Surchandra Singh S/o –do– of –do–.
3. Haorongbam Damu Singh S/o –do– of –do–.

...... *Petitioners*

-Vrs-

Late, Haorongbam Chaoba Singh S/o (L) Manaoton Singh of Chajing Chingkhong.

**NOTICE**

Lilong Chajing, the 18th Oct., 2017

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুং ইন্না মরী লৈনবা মীওইশিংদা খঙহল্লি, মদুদি এস: দি: সী: লিলোং চজিংগী মখাদা লৈবা খুল নং ৭০-চজিংগী অনৌবা পাট্টা নম্বর ৭২০, দাগ নং ৯১০ এরিয়া ০.১৪ একর চাওবা ইঙ্খোল অসিগী পাট্টাদার হাওরোংবম চাওবা সিংহ পীং মৃ: মনাওতোন সিংহ সাং চজিং চিংখোং অসি মৃ: ওইখ্রে। মরম অদুনা মৃ: পাট্টাদারগী মমিংদা লৈরিবা ইঙ্খোল অসি মথক্তা পল্লিবা পেটিস্নরশিংগী মমিংদা নমা ওনবীরো হায়দুনা উক্ত কোর্ট অসিদা দরখাষ্ট অমা থাররে। মরম অসিনা ইঙ্খোল অসিগী মরীদা আপতি তৌবিনিংবা মরী লৈনবা মীওইশিংনা "নোতিশ" অসিনা ফোংবা নুমিৎতগী পারগা নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা মশা লাকপীদুনা উক্ত কোর্ট অসিদা অইবা চেনা আপতি তৌরদ্রবদি কোর্টকী হৌনবী মতুংইন্না কেশ মখা চত্থরগনি, মতুংদা লাকপা ৱাকৎ অমত্তা কোর্ট অসিনা লৌরোই।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector**,
Lilong Chajing, Imphal West

*HL-P/020/25*

**IN THE COURT OF SUB DEPUTY COLLECTOR : BISHNUPUR**

*Ref:- Mut. Case No. 443/SDC/Bishnupur of 2017*

1. Pukhrambam (O) Gulamachu Devi W/o (Late) Gouramani Singh of Joypur Khunou Ward No. 10
2. –do– (N) Parbati Devi D/o P. Gulamachu of – do–.

*-Petitioners*

-Vs-

Pukhrambam Gouramani Singh S/o (Late) Nilla Singh of Joypur Khunou Ward No. 10.

*-O.P.*

**NOTICE**

Bishnupur, the 18th Oct., 2017

Under Section 46 (3) of MLR & LR Act. 1960 গী মতুংইন্না খঙহল্লি মদুদি Pukhrambam Gouramani Singh S/o (L) Nilla Singh of Joypur Khunou Ward No. 10 দা লৈবগী মীংদা পানবা (1) পাট্টা নং 34/133 (অরিবা), 75 (অনৌবা) সি: এস: দাগ নম্বর 47 গী 1.63 চাওবা ফৌরেল লৌফম (2) Patta No. 34/152 (Old)/125/518 C.S. Dag No. 224/326 কী 0.62 চাওবা ফৌরেল লৌফম অসিগী পট্টাদার মশা মৃতু ওইখ্রে। মরম অসিনা মথক্কী Petitioner No. 1 দা Dag No. 47 কী 1.63 চাউবা লৌফম অমসুং Petitioner No. 2 দা Dag No. 224/326 কী 0.62 চাওবা লৌফমশিং অসি নমা ওনবীরো হায়না দরখাষ্ট থারক্লে। মরম অসিনা লম অসিগা মরী লৈনবা কনাগুম্বশিংনা অপাতি তৌনিংবা লৈরবদি পাউচে অসিনা ফোংবা নুমিৎতগী নুমিৎ ৭ (তরেৎ) নিগী মনুংদা অইবা চেনা দরখাষ্ট থারক্কদবনি মতুংদা লাকপা ৱাকৎ লৌরোই কেস মখা চৎথগনি।

*Sd/-* **Sub-Deputy Collector,**
Bishnupur

*HL-P/4661/25*

**CAS Centre for Advanced Studies**
*CAS Main Building, 2nd floor Keishampat Junction Imphal*

**ADMISSION OPEN**
**REVISION COURSE**
**CLASS XII**
(Physics, Chemistry, Maths, Biology & English)
**CLASS X**
(English, Maths, Science, Social Science & Manipuri)

**SPECIAL FEATURES:**
1. Chapterwise/Unitwise authentic study materials
2. Exam. oreinted test series with mock tests for final exam
3. Most probable suggestive questions and answers for 2018 exam.
4. Special Fee concession for CASIANS
5. Vision for toppers for 2018 final exam.

Facility of:- #Morning Batch #Evening Batch
**Classes commencing from 6th Nov, 2017**
VAN service & hostel for BOYS & GIRLS available
**For Details Contact: CAS office, Keishampat Junction Imphal**

HL-B/4181/25Oct-22Dec (Alt)